**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 13-01-2026)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৩-০১-২০২৬, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা খূৎশু খূৎলাই অমদি তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই অনি ফারে।

২) মনিপুরদা তংদু লৈতাবা অমদি চাউখৎপা পুরকবগী মতাংদা নোর্থ ইষ্ট সেমিনর অমা ঙসি রাজ্যপাল ইম্ফালদা হৌদোক্লগনি।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-য়ুভ শক্তিনা লৈবাক অসিবু মপাঙ্গল কলহনবদা মখোয়গী ৱাখল্লোন, থৌনা অমসুং খাঙবা কনবা উবা ফংই।

----

**সেক্যুরিতি (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা খূৎশু খূৎলাই অমদি তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই অনি ফাগৎলে।

পুলিসকী পাউনা হায়- ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমশাং পুলিস স্তেসননা

কোনবা লমদেং ৱাতর সপ্লাই তাবা লম্বী নাকলদা লৈবা লাংগোল রিজর্ভ ফোরেষ্টতা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎখি। ফাগৎলবা খূৎলাইশিংগী মনুংদা মেগজিন অনি য়াওবা এস.এল.আর ১, শিঙ্গল বেরেল নোংমৈ ২, মেগজিন অহুমগা লোয়ননা পিষ্টোল ৩, হেন্দ গ্রেনেদ ১, ত্যুব লোঞ্চর ৮ অমদি নোংমৈ মরুনচিংবা য়াওরি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী থৌবাল দাম পুলিস স্তেসননা কোনবা মোংলাম এরিয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা পোম্পী ১ সু ফাগৎলে।

মরক অসিদা, মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবা অমদি আইন কাইনা থবক তৌরিবশিংগী মথক্তসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা অকনবা ওপরেসন চথরি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা ককচিং জিলাগী কোমনাও মখা লৈকাইদগী কে.ৱাই.কে.এলগী এক্তিভ কাদর অমা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফাখি। মীওই অসি থা অসিগী ৮ দা বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাং থনা লৈকাইদা হাংবা পেত্রোল পম্প অমদা বোম পোখাইহনবগী থৌদোক্তা চেন্নবনি হায়রি। মীওই অসি ফারবা মতুংদা বোম পোখাইহনবগী থোদোক অদুদা চেন্নবা অতৈ মীওইশিংসু মশক খঙদোকপা ঙম্লে। মখোয় ফানবা অকনবা থবক লৌখৎলি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকাইদগী আইননা থিংখ্রবা প্রিপাক(প্রো)গী কাদর অমসু ঙরাং ফারে।

**এআর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ‘রিসজেন্ট মণিপুর ফ্রেমৱার্ক ফোর স্তেবিলিতি এন্দ সস্তেন গ্রোথ’ হায়বা হীরমদা নোর্থ ইষ্ট সেমিনার অমা ইম্ফালগী সিতি কনভেন্সন সেন্তরনা ঙসি পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা রাজ্যপাল অজয়কুমার ভল্লা শরুক য়াগনি। সেমিনার অসিদা, তোঙান তোঙানবা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংগনি।

**ৱাশক (এল)ঃ** মণিপুর ইলেক্ট্রিসিতি রিগুলেতরি কন্মিসনগী চেয়রমেন

ওইরগদবা সৌবাম ইবোপিশক সিংহ ঙসি ৱাশক লৌরগনি। ইম্ফালগী লোক ভবনগী দরবার হোলদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা রাজ্যপাল অজয়কুমার ভল্লানা শ্রী ইবোপিশকপু থবক পায়বগী ৱাশক লৌগনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-য়ুভ শক্তিনা লৈবাক অসিবু মপাঙ্গল কলহনবদা মখোয়গী ৱাখল্লোন, থৌনা অমসুং খাঙবা কনবা উবা ফংই। নিউ দেল্লিদা ভিক্সিট ভারত য়ং লিদর্স দাইলোগ লোইশিনবগী থৌরমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-থৌরম অসি ঐতিহাসিক ওইবা অমসুং তোপ তোপ্পা মখল অমনি। মসিদা নহাশিংনা লৈবাক অসিগী চাউখৎ থৌরাংগী লমদা হকথেংননা শরুক য়ারি। ২০৪৭ ভারত অসি নিংখা তন্বগী চহী ১০০ শুরকপগা লোয়ননা নহাশিংগী পুনশিদসু য়ামা মরুওইবা তাঙ্কক অমা ওইরগনি।

**ভাসিনিঃ** ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেকোলোজি মন্ত্রালয়না শিন্দুনা ঙসি নিউ দেল্লিদা ভাসিনি সমুদায়ে ৱার্কশোপ পাঙথোক্কনি। ৱার্কশোপ অসিনা ভারতকী এ আই ইকোসিস্তেম লেঙ্গ্যুএজ হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা পাঙথোক্কদবনি। মন্ত্রালয় অসিনা হায়-থৌরাং অসিনা লোলগী লমদা খঙ হৈরবশিং, একাদেমিক ইন্সটিট্যুসন, সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন অমসুং দেতা প্রেক্তিস্নর কয়ানা অমত্তা ওইনা লম অসিগী মতাংদা সোল্যুসন অমা পুথোক্লগনি।

**জি রামঃ** হাউজিং অমসুং অর্বান এফিয়র্স মন্ত্রি মনোহর লালনা হায়রি-কেন্দ্র সরকারনা নৌনা পুথোকখিবা ভিক্সিট ভারত গরেন্তি ফোর রোজগার এন্দ অজিভিকা মিসন গ্রামিন(ভি বি.জি.রাম.জি) এক্ট অসিনা খুঙ্গংগী শিন্মী অমসুং লৌমীশিংদা কান্নবা কয়া ফংহল্লে। রাঞ্চিদা পাউমীশিংদা মন্ত্রিনা হায়-এম.জি.নরেগা স্কিম অদুদা চাউনা শেঞ্জা থুমজা তৌরম্বা থেংনরে। অদুবু,

য়ু.পি.এ সরকার অসিনা স্কিম অসিগী মতাংদা কুপ্পা থিজিন্দুনা মীয়ামদা হেন্না কান্নবা ফংহন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎলে। নৌনা হৌদোক্লিবা স্কিম অসিনা শেঙ্গা থুমজা তৌবদগী ঙাকথোকপা ঙম্লগনি অমসুং মীয়ামা স্কিম অসিগী মতাংদা মমুৎ তানা খঙহন্দুনা নিয়ম চুমা পায়খৎপা ঙমহল্লগনি। থৌরাং অসিনা খুঙ্গংগী মীওইশিংদা থবক পীদুনা চাউখৎ থৌরাংগী লমদা খুমাং য়াংশিনবা ঙমহল্লগনি।

**ভিক্রমঃ** ভারত অমসুং জর্মননা অৱাং থাক্কী মীফম পাঙথোক্তুনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবা তোঙান তোঙানবা মরুওইবা এম.ও.য়ু -১৯ সহী তৌনখ্রে। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং জর্মনগী চান্সেলর ফ্রেদরিক মর্জকা গান্ধিনাগরদা মীফম পাঙথোক্লবা তুংদা য়ান্ন-ৱারোলশিং অসি সহী তৌনখিবনি। ঙাকশেল, লল্লোন ইতিক, টেকোলোজি, ক্লিন ইনর্জি এন্দ মোবিলিতিগী লমশিংদা হেন্না মরুওইনা তেংবাং পীনরগনি হায়রি । শ্রী মোদিনা হায়-লৈবাক অনিনা মোৎ অমত্তা ওইনা টেরোরিজমগী মায়োক্তা থেংনবা হায়না য়ানরে।

**বজেৎ ঃ** কেন্দ্রগী ২০২৬-২৭ কী বজেৎ ফেব্রুৱারি ১ দা লোক সভাদা পুথোক্লগনি। বজেৎ মীফম অসি থা অসিগী ২৮ দগী হৌরগা এপ্রিল ২ ফাওবা চত্থগনি।

লোক সভাগী অধ্যক্ষ ওম বিরলানা হায়- ফেব্রুৱারি ১ গী অয়ুক পুং ১১ দা লৱার হাউসতা বজেৎ অসি পুথোক্কনি । মদুগী মমাংদা পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজুনা হায়- বজেৎ মীফম অসিগী অহানবা শরুক থা অসিগী ২৮ দগী হৌরগা ফেব্রুৱারি ১৩ দা লোইশিনগনি। মদুগী মতুংদা মীফম অসিগী অনিসুবা তাঙ্ককা মার্চ ৯ দগী হৌরগা এপ্রিল ২ ফাওবা চত্থগনি।

**বেঙ্গলঃ** ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কলয়ানিদা লৈবা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল

সাইন্সেস(এইমস) তা নিপা ভাইরস লাইওংনি চিংনবা মীওই অনি থেংনবদগী কেন্দ্র সরকারনা নেসনেল জোইন্ট আউটব্রেক রেস্পোন্স টিম অমা থাখ্রে। পাউ খরনা হায়-হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুন্বাল মন্ত্রি জে.পি নদ্দানা রাজ্য অদুগী মুখ্য মন্ত্রি মমতা বেনরজিদা তেল্লিফোন তৌদুনা কেন্দ্র সরকারনা পীবা য়াবা তেংবাং খুদিংমক পীগনি হায়না থাজবা পীখ্রে। পাউ অসিনা মখা তানা হায়-মীওই অনি নারন্বা য়াই হায়বা পাউ অসি ফংবদগী ৱেষ্ট বেঙ্গল সরকারনা থৌরাং কয়াসু পায়খৎলে হায়রি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

কোকোমি, আই.দি.পিশিংনা খোঙজং চংশিনখ্রে, গভর্ণরনা বফর জোন লৈতে হায়না খঙহল্লক্লেঃ কোকোমি, হায়বা পাউ অসি-সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনদা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোঙলি।

পাউ অসি নহারোলগী থৌদাংদনা, আই.দি.পিশিং মশাগী ময়ুমদা হলহল্লু হায়বা খোল্লাওনা ইম্ফাল ময়োল নিনখ্রে, মীয়ামগী ৱাহংগী পাউখুম পীনবা থোমজিনখ্রে, ঙসি লৈঙাকা মীয়ামগী পাউখুম পীগদৌরি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কুকি জো মীয়ামা তাল্লিবা সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মাইয়োন, ঙসি গুৱাহাতিদা ফমগদৌরিবা মীফমা লেপকদৌরি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

সনাৈলৈবাক্তা- নাগা খুলগী মেমোরিয়েল স্তোনদা কুকি লেন্দ থাজনলল্লে, কুকি খূৎলাই পায়বশিংনা নাগাশিংবু সেক্যুরিতি ফোর্সকী মমাঙদা কিহল্লকখ্রে

হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

ওইল পম্পশিং ঙসিদগী হাংলবা য়াই হায়বা পাউ অমা- পিপলস ক্রোনিকলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

পোকফমদা- শাশিন্নবা ঈ চলাননা খ্বাইদগী নৌবা সাইবর ফ্রোদ ওইরে, ত্রাফিক পুলিসনা কৈদৌঙৈদা মেসেজকী খুথাংদা পেমেন্ট লিঙ্ক থাদে হায়বসি খঙজিনসি হায়বা পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি। ঙসি অয়ুক কম্মিসনরগা ৱারি শান্নরবা মতুংদা ওইল পম্পশিং খুদক্তগী থোঙ হাংলবা য়াই হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা- তেক্সবুক নম্বগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা দেসামনা বোসেমগা ওফিসতা থোমজিনখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

হুইয়েন লানপাউদা- ওইল পম্পদা বোম পোখাইহনবদা চেন্নবা য়ু.জি অমা ফারেঃ পুলিস, হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

মণিপুর মেলদা- আই.দি.পিশিং খোঙজং চংশিনখ্রে, রাজ্যপালগা উনদুনা ৱারি শান্নখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- ইরেং নাগা ভিলেজকী মীয়ামা লন্বী থিংবদগী কাংপোকপীদা গারি কয়া পন্দুনা লৈরে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তামেংলোং তাইমসতা- লাইরিক নমবা ক্বালিতি য়াওদবা চে সপাই

তৌবগী মায়োক্তা দেসামগী ভোল্যুন্তিয়রশিংনা বোর্ড ওফিসতা থোমজিনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- ফেব্রুৱারি ১৩ মমাঙদা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট লৈরবা য়াই হায়না স্পিকর থোকচোম সত্যব্রট্টনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**